# নবিন বোরা, অঙ্কিটনা এসিয়ন য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মেদল রাউন্দদা চঙখ্রে




বেঙ্কোক, জুলাই ০৩ :
নবিন বোরা (কেজি ৬৯) অমদি অঙ্কিট (কেজি ৬০) না মফম অসিদা চখুরিবা এসিয়ন য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা বাউটশিংদা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা মেদল অমদি শোইদনা ফঙলগনি।

নবিননা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা চিনাগী হুআঙ রুইবু য়ুনানিমস বার্দিদতা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোর ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখি। অদুগা অঙ্কিটনা ক্রিগিজষ্টানগী এদিলেট ইজেনবর্দি য়ুলুবু ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মায়থীবা পীখিদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। অঙ্কিটনা সেমি ফাইনেল মেচতা সাকদা রুআমথামগা লম্বা তৌদুনা থিন্নরগনি। সাকদা রুআমথামনা মোঙ্গোলিয়াগী বায়ামবাটসোগৎ তুগুলদুরবু ইসপ্লিট দিসিজন্দা মায়থীবা পীখি।

নবিননা সেমি ফাইনেল বাউটতা থাইলেন্দগী পিরাপট য়েসুংনোনগা থিন্নরগনি।

পিরাপট য়েসুংনোননা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইরানগী মোহম্মদ অসগারিবু থিন্দৎখিদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর সন্দিপ কুমার (কেজি ৫২) অমদি অসিস (কেজি ৮১) না মখোয় মখোয়গী বাউটশিংদা মায়থীদুনা লৈহৌখি। অসিসনা জপানগী রয়ুতারো নাগাগাকিকী মখুৎতা য়ুনিনিমস দিসিজন দা মায়থীহৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি। সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা অতোপ্পা বোক্সর অদুদি হর্সপ্রিট সাহারাৱত (কেজি ৯১ মথক)নি। হর্সপ্রিট সাহারাৱতনা দ্রোদা অপিকপা সাইজ ওইদুনা সেমি ফাইনেলদা দাইরেক্ট ওইনা চঙখিবনি।

মহাক্না সেমি ফাইনেল বাউটতা উজবেকিষ্টানগী মুলুজোনোভ লাজিজবেককা জুলাই ৬ তা শান্নগনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ন বোক্সরশিংনা চেম্পিয়নশিপ অসিগা মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং পীখিদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা বোক্সর মরিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বোক্সরশিং সুদিপ কুমার (কেজি ৫২), অঙ্কিট কুমার (কেজি ৬০), নবিন বোরা (কেজি ৬৯) অমসুং মোহম্মেদ ইটাজ খান (কেজি ৫৬) না মখোয় মখোয়গী ওপনিং বাউটতা মায়োক্নখিবা লম্বাবু থিনদৎলমদুনা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা চঙখি।

সুদিপ কুমারনা মহাক্কী ওপনিং বাউটতা ইরাক্কী ইস্কান্দর য়াহায়া কুসামগা থিন্নখি। মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্টপু য়াম্না লাকচনা খুদোংথিবা অমত্তা য়াওদনা থিনগাইখিদুনা মায় পাকখি।

নকাগাকি রয়ুতারোনা অহানবা রাউন্দগী বাউটতা শ্রী লঙ্কাগী কুদাবিথানাগে লাসিন্দুবু থিন্দৎতুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুগা অঙ্কিটনা মহাক্কী বাউটতা ইন্দোনেসিয়াগী মিধুন রেজাবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

কিরগিষ্টানগী ইগেনবর্দি উলু এদলেটকা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নবিন্না মহাক্কী অহানবা বাউটতা কিরগিষ্টানগী য়রিসকুলোব ইরজহানবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। রুইনা মহাক্কী ওপনিং রাউন্দদা বাই ফংদুনা ক্বার্টর য়ৌরকখিবনি।

ৱর্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা এক্সপরিএন্স লৈরবা ইটাসনা মঙ্গোলিয়াগী টাসাগানবাটার মুনখাবাটারবু মহাক্কী অহানবা রাউন্দ কন্টেষ্টতা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা চঙখি।

কন্টিনেন্টেলগী শোপিছ অসিদা রিজন অসিগী লৈবাক ২৩ দগী অপূনবা বোক্সর ১২০ না শরুক য়ারি। ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী এদিসন্দা শরুক য়াদুনা মেদল মরি লৌখি। মেদলশিং অদুদি শিলভর অহুম অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমনি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুম্না মখোয় মখোয়গী বাউটশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবশিং অদুদি ৱর্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়ন সচিন সিৱাচ (কেজি ৪৯), সচিন সিৱাচ (কেজি ৭৫) অমদি অকাস কুমার (কেজি ৬৪) নি।

মশাগী চহী ১৭ শুরবা ৱর্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়ন সচিন সিৱাচনা মোঙ্গোলিয়াগী ইনখ-অমগালন বয়ারসাইমনবু য়ুনিনিমস বর্দিক্তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

কন্টেষ্ট অসিগী মিদল ৱেথকী কেজি ৭৫ গী কেটাগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সচিন সিৱাচনা মহাক্কী ওপনিং বাউটতা সিরিয়াগী বোক্সর অবদুল সোমনবু মায়থীবা পীখি।

# রামকুমারনা অন্টালায়াদা উৎখিবা পার্ফোমেন্সনা মহাক্কী রেঙ্কদা চঙনা কান্নখি




ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৩ :
নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী টেনিস প্লেয়র রামকুমার রমানাথন্না হন্দক্তা লোইশীনখিবদা ঙাইরিবা এন্টালায়া ওপন্দা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৮শুবদা লৈরিবা দোমিনিক থিয়েম্বু মায়থীবা পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা এ টি পি সিঙ্গলসকী রেঙ্কিং চার্টতা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মফম ৩৮ কাখৎলগা ১৮৪ শুবা মফমদা লৈখি।

মশাগী চহী ২২শুরবা রামকুমারনা এ টি পি ২৫০ ইভেন্টদা ক্বালিফাই ওইদুনা চঙলকখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌখি। মহাক্না ইভেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ভেটারন মার্কোস বাঘদাটিসকী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

চেন্নাইগী নুপামচা অসিনা মহাক্কী মায় পাকখিবা অদুনা পোন্ট ৫৭ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী পোন্ট অদুনা মফম ৩৮ কাখৎপা ঙমখিদুনা এ টি পিগী সিঙ্গলসতা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা ঙম্বা ইন্দিয়নসু ওইখি। মহাক্কী হেক মতুংদা য়ুকি ভামব্রিনা ২২২শুবা রেঙ্কদা, প্রাজনেস জুনেশ্বরননা ২৫৯শুবা, এন শ্রীরাম পলাজিনা ২৯১ অমদি সুমিট নাগালনা ৩৪২শুবা মফমদা লৈখি। সুমিট নাগালনা মহাক্না হান্না লৈরম্বা মফমদগী ২৭ কাখৎলগা মহাক্কী রেঙ্কিং অসি য়ৌখিবনি।

দবলসতা রোহানভোপনানা ২১শুবা রেঙ্কিংদা লৈখিদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংবা শান্নরোয় ওইরি। মহাক্কী হেক মতুংদা পুরাভ রাজানা ৫৭শুবা, দিভিজ সরননা ৫৭শুবা, লিয়েন্দর পেসনা ৬২শুবা অমসুং জিবন নেদুনচেজহিয়াননা ৯০শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি।

নুপীগী দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা সানিয়া মির্জানা দবলসকী ৭শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি। অদুগা অনকিতারানা ২৭৪শুবা রেঙ্কিংদা লৈখিদুনা নুপীগী সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা ইন্দিয়ন নুপী ওইখি।

কর্মন কোর থন্দিনা ৪১৩শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি।

# জোন গ্রেগোরিনা চেন্নাইয়িনগী হেদ কোচ ওইনা হাপখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ০৩ :
ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আইএস এল) কী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা চেন্নাইয়িন এফ সিনা হান্নগী আষ্টন বিলাগী মেনেজিং জোন গ্রেগোরিবু মখোয়গী হেদ কোচ ওইনা হাপ্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

গ্রেগোরিনা মার্কো মাটেরাজিগী মহুৎ শীল্লগনি। চহী ৪০ রোম প্লেয়র অমা ওইবতা নত্তনা কোচকী থৌ পুরকপগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গ্রেগোরিনা চেন্নাইয়িং এফ সিগী হেদ কোচ ওইনা লাকখিবসি ক্লব অসিগীদি চাউরবা পাউ অমা ওইরে। গ্রেগোরিগী মখাদা অষ্টন বিলানা কুমজা ২০০০গী এফ এ কপগী রন্নর্সঅপ তাখি।

পাউজী মীফম অমদা জোন গ্রেগোরিনা হায়খি, ঐনা চেন্নাইয়িন এফ সিদা জোইন তৌবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকই অমদি ক্লবকী ওনরনা ঐবু থাজবিবা অমদি ক্লব অসিগী দায়ত্ব শীন্নবিবগীদমক থাগৎলি। আই এস এলদা চেন্নাইয়িননা মতিং থোকপা টিমশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। ঐনা টিম অসিবু হেন্না মশক থোক্না মার্কো মার্টেরাজিনা তৌরম্বা অদুদগী পুখৎপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চেন্নাইয়িন এফ সিগী কো ওনর ভিটা দানিনা হায়খি, জোনবু ঐখোয়গী কোচ ওইনা হাপ্পদা ঐখোয়দা অপেনবা পোকই হায়খি।

ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2017-18
at Vijayawada A.P.
Offers Govt. Fees specially for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
Eligibility - 10+2 EPCB 45% (Aggregate)
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Eligibility - 10+2 passed any stream 40%
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
B.SC. NURSING ADMISSION OPEN 2017-2018
at Gitam University, Vishakhapatnam
→ Tuition fees Rs. 30,000/- (per year)
→ Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)
SPOT ADMISSION
Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)
Top Deemed University having own medical college & hospital
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277 & +91 9436009556
HL-P/0679/2to11-13,15,17,19&21

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ওগষ্ট ১২দগী চখবা হৌরগনি




মুম্বাই, জুলাই ০৩ :
সিজন অসিগী ইংলিস প্রেমিয়র লিগ লাক্লিবা ওগষ্ট ১২দগী পাঙথোক্লবা শেম-শাখিবগা লোয়ননা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা চেলসিনা লীগ অসিগী অহানবা মেচতা বর্নসিগা লম্বা তৌদুনা মখোয়গী টাইটল দিফেন্দ তৌনবা হোৎনগদৌরিবনি।

সিজন অসিগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ফিক্সর মতুংইন্না এন্টোনিষ্ট কোন্টেগী চেলসিনা অনীশুবা মেচতা টোটেনহাম হোটস্পরগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মখোয়গী হোমমেচশিং ৱেমব্লিদা শান্নগনি । লীগ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মাঞ্চেষ্টর সিটিনা নৌনা প্রমোর্ট তৌরকখিবা ব্রাইটন এন্দ হোভকা অলবিওনদা চৎতুনা শান্নগনি অদুগা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ওল্ড ট্রানফোর্দতা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকা লমবা তৌদুনা শান্নগনি। লিভরপুলনা ভিকারেজ রোদতা মার্কো সিলভাবু নৌনা মেনেজর হাপখ্রবা ৱাটফোর্দকা অমদি টোটেনহাম হোটস্পরনা সেকেন্দ দিভিজনগী চেম্পিয়ন ন্যুকাষ্টলগা য়ুনাইটেদতা চৎতুনা শান্নগনি।

প্রেমিয়র লীগতা নৌনা মফম কল্লকখ্রবা হদ্দসফিল্ড চাউনা চহী ৪৫ গী মনুংদা অহানবা ওইনা ইংলিসকী টোপ কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াদুনা ক্রিষ্টেল পেলেসতা অমদি আর্সেনেলদা য়ুম্বু ওইদুনা লৈচেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ষ্টোক সিটিনা য়ুম্বু ওইদুনা অহানবা মেচতা ইভটনসু সেন্টেস্বর থা মাঞ্চেষ্টর সিটি, চেলসি, টোটেনহাম হোটস্পর অমদি মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা মায়োক্নগনি অদুগা স্বামি সিযিনা সাউথম্পটনদা অমদি বর্নমথনা ৱেষ্ট প্রুমৱিচ অলবিওনদা চৎতুনা শান্নগনি।

মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা মাঞ্চেষ্টর সিটি অমদি লিভরপুলগী অহানবা মেচনা ওক্টোবর ১৪ দা এনফিল্ডদা শান্নগনি অদুগা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি মাঞ্চেষ্টর সিটিগী অহানবা মেচনা দিসেম্বর ৯ দা ওল্ড ট্রাফোর্দতা শান্নগনি। হদ্দর্সফিল্ডগী মেনেজর দেভিদ ৱেগনরগা মহাক্কী হান্নগী সেন্টর জুগের্ন ক্লোপকা অমুক হন্না কম্পিটিসন অসিদা মায়োক্নদুনা ওক্টোবর ২৮ দা লিভরপুলগা শান্নরগনি।

হদ্দসফিল্ডনা সিজনগী অরোইবা মেচ মরিদা মাঞ্চেষ্টর সিটি অমদি চেলসিদা চৎতুনা অদুগা য়ুম্বু ওইনা ইভটন অমদি আর্সনেলগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা অসিদা চাউনা শিংনবা ওইগদৌরি।

# রিয়েল মেদ্রিদকী ষ্টার রোনাল্ডো অনৌবা ক্লবতা য়াওরবা য়ানা লৈখ্রে




মেদ্রিদ, জুলাই ০৩ :
রিয়েল মেদ্রিদ অমসুং পেষ্টুগালগী ফুটবোল ষ্টার খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো সম্মর অসিদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২০২,৪৬ গীদমক মহাক্কী স্পেনীস ক্লব অসি থাদোক্লবা য়াই হায়না পোর্টুগিজ মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌখ্রবা মতুং রোনাল্ডোনা হীরম অসিদা ওইথোক্তবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবদগী মহাক্কী ফেন্সশিং লৈতাদবা ওইহনখ্রে।

খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মহাক্কী স্পেনিস ক্লব থাদোক্লবা য়াই হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখিবদগী মহাকপু পামজবা ফেনশিংগী মরক্তা লৈতাদবা লৈখিবনি।

রোনাল্ডোনা রিয়েল মেদ্রিদপু চহী মঙাগী মতুংদা অহানবা ওইনা লালিগাগী টাইটল লৌহনখিবদা চাউরবা থৌদাং লৌখিবদা নত্তনা হন্দক্তা কার্দিফতা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেলদসু জুভেন্টসকী মায়োক্তা গোল অনী চনশিন্দুনা রিয়েল মেদ্রিদপু থংনা থংননা অনীরকশুবা ওইনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন ওইবা অহানবা ক্লবসু ওইহনখিবনি। হান্না মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরমবা রোনাল্ডোনা মহাক্কী অরোইবা মেচ তরাদা গোল ১৬ চনশিনবদগী বেল্লুন দিংওরগী লমজেলদা মাঙজিল থানা লৈরিবনি।

পনবা য়াই, রোনাল্ডোগা রিয়েল মেদ্রিদকা লৈনরিবা কন্ট্রেক্ট অসি কুমজা ২০২১ ফাওবা লৈরবসু মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, মোনাকো অমদি পেরিস সেট জর্মেন য়াওনা চাইনাগী ক্লব কয়ানসু মহাকপু ফংনবা হোৎনরি হায়বগী রিপোর্টশিং লৈরবনি।

হৌখিবা সিজন ২০১৬-১৭ তা রোনাল্ডোনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৩ তানখিবদগী হন্দক্তা থোকখিবা ফোবর্সকী লিষ্টতা পোর্টুগিজ অসিনা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা শান্নরোয় ওইখিবনি। রিয়েল মেদ্রিদদনা রোনাল্ডোবু কুমজা ২০০৯ দা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৮০ দা লৈখিবা অদু মতম অদুগী মমল খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা মালেমগী পুৱারী শেমখিবনি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd June 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm
Foundation Course for Class XI & XII Starts: 22nd June 2017 Limited Seat




BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN / BUS AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342
HL-B/3932/10/06-12/07

## EMPLOYMENT NEWS

### SSB Recruitment – 355 Constable (GD) Sports Quota Vacancy – Last Date 30 July 2017

**SSB Recruitment 2017**

Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 355 Constable (GD) under Sports Quota for the year 2016-17 & 2017-18. Apply before 30 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**SSB Job Details :**

**Post Name :** Constable (General Duty) under Sports Quota

**No. of Vacancy :** 355 Posts

**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-

**Grade Pay :** Rs. 21700/- (Per Month)

**Details of Vacancies :**

Football
Athletics
Volleyball
Basketball
Handball
Kabaddi
Aquatics
Cross-Country
Judo
Hockey
Fencing
Water Sports
Wrestling
Boxing
Weight-lifting
Gymnastics
Wushu
Taekwondo
Archery
Sepaktakraw
Shooting (Sports)
Equestrian and Cycling

**Eligibility Criteria for SSB Recruitment :**

**Educational Qualification :**

Matriculation or its equivalent from a recognized board and Players who have participated in any International Sports events as a member of the Indian Squad for last 01 (One) year and players who have won medal(s) in any National Games/ Championships recognized by Indian Olympic Association, Sports Federation of (concerned sport) for last 01 (One) year.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 18 to 23 years

**Age Relaxation :** SC/ST Category 05 years & OBC Category 03 years

**Job Location :** All India

**SSB Selection Process :**

Selection will be based on Physical Standard Test , documentation & written examination.

**Application Fee :**

General/OBC category candidates have to pay Rs. 100/- through IPO/Demand Draft/ Banker Cheque i.e. IPO should be prepared in favour of in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at New Delhi & Demand Draft / Banker Cheque should be prepared in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at State Bank of India, R.K. Puram, New Delhi (Branch Code-01076).

**How to Apply SSB Vacancy :**

Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested photocopies of age, qualification, experience, caste certificate, Bonafide/ Domicile/ Permanent residence certificate, Two self-attested recent passport size photographs, Two self-addressed envelopes of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/ - affixed in & in an envelope should be superscribed as "Application For The Post Of Constable (GD) Under Sports Quota – 2016-17 & 2017-18? send to the Assistant Director (Sports) Force Hqr., Sashastra Seema Bal (SSB), East Block-V, R.K.Puram, New Delhi -110066 on or before 30.07.2017.

Important Dates to Remember :

**Last Date for Submission of Application form:** 30.07.2017

**Important Links :**

**Detail Advertisement & Application Form Link :**

http://www.ssbrectt.gov.in/docs/Advt%20sports%20quota%202017%20in%20SSB.pdf

**Notice :**

http://www.ssb.nic.in/WriteReadData/LINKS/3783a8e92ab6-8f1e-4955-a85e-ab0b712aa71b.pdf